# অফাওবা আর্চর অমা ওইগে হায়বসি অঙাং য়াম্না ওইরিঁঙৈদগী খনবা হৌরকখি ঃ ইরেংবম সনাতোম্বা

মণিপুরী মচাশিংনা পামজনা শান্নবা গেমসশিংগী মনুংদা অর্চরি অসিসু অমনি। নীংশিংবা য়াবদি ষ্টেটসিগী শান্নরোয়শিংনা ঙসি ফাওবদা ওলেম্পিক এরেনা য়ৌবা ঙম্লিবা মশান্নশিং হায়রগদি হোকি, ৱেথলিফটিং, জুদো, অর্চরি অমসুং বোক্সিংনি। লাইশ্রম বোম্বেলানচিংবা আর্চর থোকখ্রবা মতুংসিদা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিবু পামজবা শান্নরোয় নুপী অমসুং নুপা ঙসিসু লেপ্তুনা থোরক্লি। আর্চরিগী রিকর্ড অমদি কম্পাউন্দদা অৱাংবা থাক য়ৌননবা সাই সেন্তরশিংদসু অকনবা ত্রেনিং কয়া চত্থরক্লি। মশান্না অসিদা নেসনল থাক্কী কম্পিটিসন কয়াদা গোল্ড, শিলভর, ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমদুনা মপান্দা তবক ইনখাং ফংনদুনা লৈনবা কয়া অমসু য়াওখ্রে। মণিপুরগী মশক নাইবা আর্চরশিংগী মনুংদা ইরেংবম সনাতোম্বসু অমনি।

কুমজা ১৯৮৩ গী জান্যুৱারী ২৭ তা কদাঙবন্দ পার্ট ৱান, শিঙদা বজারদা লৈবা ইরেংবম তোম্বা অমদি ইরেংবম ওংবী মেমচাগী মপারি ওইনা সনাতোম্বা তাইবঙদা খোঙদারকখি। অঙাং ওইরিঁঙৈদগী হৌনা সনাতোম্বা শান্ন-খোৎনবা য়াম্না পামজরকখি। থোইদোক্লা, মহাক্লা খ্বাইদগী ঙাওজরকপা মশান্নসিনা আর্চরি ওইরকখি। তেন কাপ্পগী ত্রেনিং তৌফম কদাইদা লৈবগে হায়দুনা মহাক্লা কোয়থি থিবসি স্কুল তম্লিঁঙৈদগী হৌরকখি।

ব্রহ্মপুর নহাবম বামোন লৈকায়রোমদা ৱাগী তেন শাফম লৈবা মফমদুদা আর্চরি কোচ কয়া লৈবগী ৱারীসি মথং মথং তারকখি। অদুবু স্কুল তম্লিঁঙৈ মতমদুদদি অহেনবা মগুন ফংদবনা মরম ওইরগা আর্চরি শান্নবগী ৱাফমসি মায় পাক্লা চঙশিনবা ঙমখিদে। পূক্লিংদদি আর্চরি অমা ওইগে হায়বগী ৱাখল মতম চুপ্পদা লৈরকখি।

কুমজা ১৯৯৯ দা মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা নেসনল গেমসতা নেসনল প্লেয়র কয়ানা তেন কাপ্পা, পোদিয়মদা লেপ্তুনা গোল্ড, শিলভর, ব্রোঞ্জ লৌবগী ফোটোনচিংবনচিংবা পাউচেদা, টি ভিদা উরুবদগীদি মশান্না অসি সনাতোম্বদা হেন্না পামহল্লকখি। নেসনল গেমস লোইখ্রবা মতুংদা আর্চরি ত্রেনিং তৌফম খুমন লম্পাক্তা লাক্তুনা কোয়থি থিরকখি। অসুম্না লাকপা অসিদা আর্চরিগী এন আই এস মেমেগা থেংনদুনা অহানবা ওইনা ত্রেনিং তৌবা হৌরকখি।

খুমন লম্পাক তান্না অঙনবা অয়ূক্তগী আর্চরিগী ত্রেনিং তৌবা লাকখিবগী মতাংদা সনাতোম্বনা অসুম্না পাউদম্লকখি, ঐহাক্না স্কুল তম্লিঁঙৈ



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**আর্চরিদা মিৎয়েং অমা**

মতমদগী খুমন লম্পাক তান্না আর্চরি তম্বা লাকখিবদু ঐঙোন্দদি তরাই তরাইবা অমদি ওইখিদে।

নুমিৎ খুদিংগী লাক্লিবদু বসতা ঙাক্তনি। ইশানা পামজরুবগী, হৈনীংমনবগী খুমন লম্পাক তান্না লাকখিবদু বসতা, সাইকলসি নুংমিৎ খুদিংগী হাপ্লক্কনি। উরিপোক পার্কিংদা বস হেক খাম্বগা সাইকলদুনা খুমন লম্পাক তান্না লাক্কনি। অয়ূক পুং ৫.৩০ দগী ৮.৩০ ফাওবা ত্রেনিং য়াওরম্লগা স্কুল ক্লাস নংনবা কৈশাম্পাৎতা লৈবা মোর্দন স্কুল ফাওবা অমুক য়ৌরক্কনি। স্কুল তম্লঁঙৈদগী ঐহাক য়াম্না ৱানা হোৎনজরকখি। অয়ূক্কী চাক চাবসু অয়ূক্তা ফংলক্তে। মপান কাংজৈবুং মনাক্তা লৈবা পিপল কান্টিন্দা য়োনবা লুপা মঙা পীবা তলদু চারগা চহী অমরোম লেল্লকখি। ইশানা পামজরুবনিনা অদুম্না লেনখিবদু ঐঙোন্দা থোইদোক্লা ৱাবা নুংঙাইতবা অমত্তা ফাওখিদে। অখাং কনবগা লোয়ননা হোৎনরগা নোংমদি ঐ শুকশোয় শোয়দনা নেসনলদা গোল্ড লৌবা ঙমদুনা ৱর্ল্ড কপ মথং মথং শান্নবা ঙম্লনবা হোৎনগে হায়না খঞ্জরকখি।

প্রেক্টিশ তৌবা অসিসু মেত্রিক থাখ্রবা মতুংদগীদি খরদং কোল্লকখি। মতমদুদদি অয়ূক্তগী লাকপদু স্কুলগী টাইমিং য়াওদ্রে। ইগজাম হায়দোক্ত্রিঁঙৈগী মতাংদসু অয়ূক্তগী লাকপদুনা নুংথিলগী টাইমিংসি অদুম ঙাইদুনা লৈখি। অয়ূক্কী তল অথাবা অমা চাশিল্লগা মপান কাংজৈবুংদা পাউচে নৎত্রগা জর্নেল পাদুনা নুংথিল পুং ২ তাবা ঙাইদুনা লেল্লকখি। ঐনা মতমদুদা অৱা অনা অমত্তা থিদনা হোৎনরিবদু সাইদা চঙবা ঙম্লনবগীনি। সাই ত্রেনিং সেন্তরদা চঙববু ঙম্লবদি ঐহাক আর্চর অমদি শোয়দনা ওইগনি হায়বসি পূক্লিংদা কন্না ফাওখি।

-মথং-মথং

# হোকি ৱর্ল্ড লীগ সেমী ফাইনেল ঃ ইন্দিয়ানা আর্ক রাইবেল পাকিস্টানবু য়াম্না লাকচনা ৭-১ দা মায়থীবা পীখ্রে

লন্দন, জুন ১৮ :

ইন্দিয়ানা মফম অসিদা চত্থরিবা হোকি ৱর্ল্ড লীগ (ঐচ দব্লিয়ু এল) নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা পাকিস্টানবু ৭-১ দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীদুনা থংনা থংননা অহুম্লকশুবা ওইনা মায় পাক্লা চঙশিনখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ানা ঙসিগী মেচ অদুদা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি। মেচকী অয়াম্বা মতমদা ইন্দিয়ানা উপায় লৈতবা ফীভমদা লৈখ্রবা পাকিস্টানবু নমহৎনা শান্নখিদুনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা গ্রুপ বিগী টেবলদা নেদরলেন্দসতগী মাঙজিল থানা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি।

ইন্দিয়াগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দ্রেগ ফ্লিকর হরমনপ্রীট সিংহনা মেচকী মিনিট ১৩ অমদি ৩৩ চৎপা মতমদা গোল অনী, টালৱিন্দর সিংহনা মেচকী মিনিট ২১ অমদি ২৪ চৎপা মতমদা গোল অনী, অক্সদিপ সিংহনা মেচকী মিনিট ৪৭ অমদি ৫৯ চৎপা মতমদা গোল অনী অমদি প্রদিপ মোরনা মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি।

লী ভেল্লি হোকি এন্দ টেনিস সেন্তরদা চত্থখিবা মেচ অদুদা পাকিস্টানগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা মোহম্মদ উমর বুট্টানা চনখি।

ইন্দিয়ানা ফংখিবা মেচ অহুম্মক মায় পাকখিদুনা পুল বিগী টেবলদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। অদুগা নেদরলেন্দসনা অনীশুবা মফমদা লৈখি। পাকিস্টান্না মখোয়গী ফংখিবা মেচ অহুম্মক মায়থীখিদুনা পুল অসিগী টেবলদা খ্বাইগী মনিংদা লৈখি।

ইন্দিয়ানা মথংগী মেচতা নেদরলেন্দসকা মায়োক্নদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নগনি। অদুগা পাকিস্টান্না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা স্কোটলেন্দগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা মেচতা স্কোটলেন্দবু মায়থীবা পীখি। মতুং অনীশুবা মেচ ওইনা কনাদাগা শান্নখিবদা কনাদাবু মায়থীবা পীখি।

মেচ হেক হৌখিবগা পাকিস্টান্না অহানবগী মিনিট তরা ফাওবদি য়াম্না মতিং লৈনা শান্নখি অদুবু মখা তারকপদা নিংথিনা শান্নবা ঙমদনা লৈখি। ইন্দিয়ানা মেচ অদুদা মতিং লৈনা মায়োক্নখিবা টিমগী সাইদতা চঙশিনখি।

মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমদা দ্রেগ ফ্লিকর হরমনপ্রীটনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা পাকিস্টানগী গোল পোষ্ট মনুংদা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

অনীশুবা ক্বার্টরগী মিনিট ৪ চৎপা মতমদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। মদুদা হরমনপ্রীটনা কনশিনখিবদা পাকিস্টানগী অমজাদ আলিনা সেভ তৌখিদুনা গোল ওন্থোকহনখিদে।


ইন্দিয়ানা অথুবদা তৌখিবা এটেক অমদা টালৱিন্দরনা মেচকী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল চনখিবা মিনিট অহুমগী মতুংদা মেচকী মিনিট ২৪ চৎপা মতমদা টালৱিন্দরনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিনখিদুনা ৩-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়ানা মখা তানা মায়োক্নখিবগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা হরমনপ্রীটনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ৪-০ দা মাঙজিল থাখি। গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা চীংলেনম্নানা মশক থোক্লা তৌখিবা এটেক্তা কনশিনখিবা বোল অমা পাকিস্টানগী গোল কিপর অমজাদ আলিনা সেভ তৌখিদুনা গোল চলহনখিদে। ইকুই কুইদনা অক্সদিপনা মেচকী মিনিট ৪৭ চৎপা মতমদা সর্কলগী মতোন্দগী কনশিনখিবা বোল অমনা গোল ওন্থোকখিদুনা ইন্দিয়ানা স্কোর মার্জিন ৱাংনা লৈখি।

মেচকী মিনিট ৫৯ চৎপা মতমদা অক্সদিপনা অমুকসু হন্না মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিনখি। মিনিট অনীগী মতুংদা প্রদিপ মোরনা ইন্দিয়াগী গোল অমগা চনশিনখি।

পাকিস্টানসু গোল চন্ননবা মায়োক্নখিবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌখি। এটেক অদুদা পাকিস্টানগী মোহম্মদ ওমর ভুট্টানা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখ্রবসু ইন্দিয়াগী মখূৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।



# ৱর্ল্ড কপ আর্চরি চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী আর্চরি টিম য়ু এস এ পাঙখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৮ :

য়ু এস এনা য়ূম্বু ওইদুনা সোল্ট লেক সিটিদা জুন ২০ দগী ২৫ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অহুমশুবা ষ্টেজগী ৱর্ল্ড কপ আর্চরি চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী আর্চরি টিম ঙসি য়ু এস এগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা মণিপুরগী কম্পাউন্দ আর্চর পাওনম লিলি চনু অমসুং কোচ গুরুময়ূম টিতোমাশ শর্মা য়াওরি। চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক ঙসি খোঙশানখিবা ইন্দিয়াগী টিম অদুদা য়াওরিবা মণিপুরগী কম্পাউন্দ আর্চর থৌনাওজম ইশেম্বী দেবী অমদি ইরেংবম সনাতোম্বা সিংহ, মহারাষ্ট্রগী নুপী কম্পাউন্দ আর্চর অমা অমদি ঝরখণ্ডগী কোচ অমা মখোয়গী ভিসা মতম চানা ফংখিদবদগী চৎপদা য়াওখিদে। অদুমকপু আর্চরশিং অমদি কোচ অসি হয়েং ৱর্ল্ড কপ অসিগীদমক ইন্দিয়া থাদোক্লগনি হায়না মণিপুর আর্চরি এসোসিএসন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# ষ্টুট্টগার্ট ওপন ঃ লুকাস পৌলেনা ফেলিসিয়ানো লোপেজবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে

ষ্টুট্টগার্ট, জুন ১৬ :

লুকাস পৌলেনা মফম অসিদা চত্থরিবা ষ্টুট্টগার্ট ওপনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা স্পানিয়ার্দ ফেলিসিয়ানো লোপেজবু মায়থীবা পীদুনা চহী অসিদা মহাক্কী অনীশুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

পৌলেনা ফাইনেল মেচ অদুদা ফেলিসিয়ানো লোপেজবু ৪-৬, ৭-৬ (৭/৫), ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবনি। লোপেজনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল ফাওবা চঙলকপগী লম্বীদা অহুমশুবা সীদ গিলেস সিমোন, টোমাস বার্দিচ অমদি মিচা জবরেভপু মায়থীবা পীরমখি।

মেচ অদুগী অহানবা সেটতা মরিশুবা সীদ লোপেজনা মেচ অদু কন্ট্রোল তৌনা শান্নখিদুনা ৬-৪ দা লুকাসপু মায়থীবা পীরমখি। সেট অদু মিনিট ৩২ চঙনা শান্নখি।

অনীশুবা সেটতা লুকাস অমদি ফেলিসিয়ানো অনীনা কৃক কৃক ইন্ননা শান্নরকখিদুনা দিসাইদরদা লুকাসনা মায় পাকখি। অহুমশুবা সেটতা লুকাসনা ভেটরান লোপেজবু মনহৎনা শান্নখিদুনা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী চহী অসিগী অনীশুবা টাইটল লৌখি।



পনবা য়াই, ওপন অসিগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা স্পানিয়ার্দ ফেলিসিয়ানো লোপেজনা চেক রিপব্লিক্কী অহুমশুবা সীদ টোমাস বার্দিচপু ৬-৭ (৪), ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

মালেমগী ১৪ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অসিনা চহী অসিদা অমুকখক্তমক ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না মায়থীখিবা অসিনা টুর্নামেন্ট অসিদগী ঙন্না মায়থীহৌরবা টোপ সীদ রোজর ফেদরর অমদি গ্রিগোর দিমিত্রোবকা পূনখি। মশাগী চহী ৩৫ শুরব লোপেজনা ওপন অসিগী টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থমখিবনি।

# পাকিস্টান্না ইন্দিয়াবু রন ১৮০ দা মায়থীবা পীদুনা আই সি সি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, জুন ১৮ :

পাকিস্টান্না ইন্দিয়াবু রন ১৮০ দা মায়থীবা পীদুনা আই সি সি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী মপু ওইখ্রে।


কুমজা ২০০৯ দা ৱর্ল্ড টুয়েন্টি টুয়েন্টি লৌখিবগী মতুং তারকপদা পাকিস্টান্না আই সি সিগী চেম্পিয়ন ওইবা হন্দক্না অহানবনি।

সিক্যুরিটিগী ওইবা মরম খরদগী হোম গ্রাউন্দদা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট মেচ শান্নবা ঙমদনা লৈরকখিবা পাকিস্টানগীদমক্তদি হন্দক্কী থৌওং অসি অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না লৌবা য়াই।

ওপনর ফাখর জমননা সেঞ্চুরি য়ৌখিবগা লোয়ননা মহম্মদ অমিরনা বোল ফজনা লংখিবদগী পাকিস্টান্না মায় পাকপা ঙমখিবনি।

জমননা রন ১৪৪ লৌখিবগা লোয়ননা পাকিস্টান্না অহানবা বেট্টিং তৌবদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৩৩৮ লৌখি।

মদুগী পাউখুমদা ইন্দিয়ানা ওভর ৩০.৩ গী মনুংদা রন ১৫৮ লৌরগা ৱিকেট পুম্নমক তুখিবদগী মেচ অদু মায়থীখিবনি। অহানবদা ইন্দিয়ানা



টোস ঙম্লগা ফিল্ডিং হান্না তৌনবা খনখি।

জস্প্রিট বমরাহনা লংলকপা বোল অমদা জমন আউট ওইগদবদা অম্পায়রনা বোল অদু নো বোলনি হায়না লাউথোরকখি। মতৌ অসুম্না আউট ওইহৌদ্রবা জমননা রন ১১৪ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী স্পিন্নর অনী রবিচন্দ্রন অশ্বিন অমসুং রবিন্দ্র জাদেজানা ৱিকেট অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। রবিচন্দ্রন অশ্বিননা ওভর ১০ লংবদা রন ৭০ পীখি। রবিন্দ্র জাদেজাদি ওভর ৮ লংবদা রন ৬৭ পীখি।

পাকিস্টানগী বোলর অমিরনা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা বেটচমেনশিং রন মপুং ফানা লৌবা ঙমহনখিদে। রোহিট শর্মানা রন অমত্তা লৌবা ঙমখিদবগা লোয়ননা শিখর ধৱননা রন ২১ অমসুং ভিরাট কোহলিনা রন ৫ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে।

হার্দিক পান্দিয়ানা বোল ৪৩ গী মনুংদা সিক্স কয়ামরুম য়ৈদুনা রন ৭৬ লৌবা ঙমখি।

মমাঙদা জমননা বেট্টিং তৌখিবা মতমদা ইন্দিয়াগী বোল্লিং এটেক পুম্নমক অরেম্বা তাহনখি। অঝর অলি (বোল ৭১ দা রন ৫৮) অমদি জমনগী ওপনিং ৱিকেট পার্টনরশিপতা রন ১২৮ লৌখি। মথংদা জমননা বাবর অজম (বোল ৫২ দা রন ৪৬) গা লোয়ননা বোল ৬৩ দা রন ৭২ লৌবা ঙমখি।

হার্দিক পান্দিয়ানা লংবা বোল অমা জমননা য়ৈরকপদা জাদেজানা ওক্তুনা আউট ওইহনবা মতমদা পাকিস্টানগী স্কোর ২০০ য়ৌরম্মী।



HL-B/3934/11/6-10/7

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫০

১. চহী মরিগী মমাঙদা কুমজা ২০১৩ দা বিরমিংহামগী বার হোটেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় অমনা কিন্না থিনখিবগী ৱাথোক ওইখিবা ইংলেন্দগী শান্নরোয় অদু কনানো?

২. কুমজা ১৯৬০ দা রোমদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসকী ফুটবোলদা চেম্পিয়ন ওইখিবা টিম অদুগী শান্নরোয় ১০ খক্তনা ফাইনেলদা শান্নখি। তান্থোকখিবা শান্নরোয় অদুগী মরাল করিনো?

৩. নুপাগী প্রোফেসনেল বাস্কেটবোল লীগতা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবী নুপী অদু কনানো?

৪. মহাক ওলেম্পিক্কী লমজেল মতেক চেনবগী চেম্পিয়ননি। ওলেম্পিক্তা মহাক্না লমজেল চেনবা খুদিংগী মহাক্কী ত্রেক সুইট অদু হোংই। মহাক্কী মপুরোইবসু ওলেম্পিক চেম্পিয়ননি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?

৫. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসিদা বোল পায়দুনা চোঙখৎলিবা শান্নরোয় অসিগী মমিং হায়য়ু?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০ ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

লেঙশিনবিরকউ/
[Meitei Mayek script]
হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক
থুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।
ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা
হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স

